# জিএম চাংজৌ থিবা খঙদবদগী  হায়কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

# অশেংবা খঙহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি

-জেএসি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ ঃ* হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ গী নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবা মতমদা অসাম রাইফলস অমদি এনএসসিএন (আইএম) গী মীওই খরনা দিমাপুরদগী ফাখ্রগা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী গুরুময়ুম জিটেশ্বর এলাইজ জিএম চাংজৌ এলাইজ জিপসিগী অশেংবা মরী মখোং সরকারনা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা খঙহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিন্না শেম শারে হায়না হিরম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জেএসিনা লাওথোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাংথোকপা পাউগী মীফমদা জেএসিগী ৱাঙাংলোই ৱাই কাপুরনা হায়, জিএম চাংজৌবু হৌজিক ফাওবা মফম খঙহন্দনা লৈরিবা অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী অপোকপী গুরুময়ুম ওংবী রাধা দেবী অমদি লোইনবী সুজেটানা পিটিশ্নর ওইদুনা সেপ্টেম্বর অমদা গৌহাটি হায়কোর্টতা রিট পিটিসন অমা থাখ্রে। মদুগীদমক রেস্পোন্দেন্টশিংনা সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবদা পাউখুম পীরক্লবা কোর্টনা খঙহনখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক থোকপা নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ১০.০৫ রোম তাবা মতমদা মোবাইল নম্বর ৯৬১২১৬৩৯৮২ দগী এসএমএস তা মহাক এআর অমদি এনএসসিএন (আইএম) নি চিংনবশিংনা  ফারে হায়না খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। মসিগী পাউ অসি মণিপুরগী দিজিপি মশাদা খঙহনখ্রে।

অদুবু দিজিপিনা নাগালেন্দগী কাউন্টরপার্টতা মহাক্কী লৈফম খঙদোক্লবা হোৎনদুনা কদায়দা লৈরিবগে হায়বদু খঙবা ঙমদনা লৈরি।

হিরম অসিগী মতাংদা মমাংদসু সিএমদা মেমোরেন্দম পিশিনখিবা লৈখ্রে। লোইননা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাংথোক্লুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা মহাক্কী অশেংবা অমা খঙহন্নবা সরকারদা মতম পীখিবনি। লোইননা মদু ঙমদ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

অদুবু ঙরাং অসি চিফ মিনিষ্টরগী ইন চার্জ ওইরিবা লো মিনিষ্টর টিএঁচ দেবেন্দ্রগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা চিফ মিনিষ্টর ঙসি ইম্ফালদা থুংলরবা মতুংদা খন্নগনি হায়না থাজবা পীরকপগী মতুংইন্না হয়েং নুমিদাংৱাইরম ফাওবগী মনুংদা চাংজৌগী অশেংবা অমা সরকারনা খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চংশিন্নবা ফিরেপ অসি লৌবনি। লোইননা হান্না লেপ্লখিবা খোঙজংদি হোংলোই হায়খি।

মীয়াম্না পাল্লিবা অসি জিএম চাংজৌ লালহৌবা ওইবা য়াই ওইদবা য়াই মদু নত্তে। মহাকপু থাদোকউ হায়বসু নত্তে। মী অমবু অসুক শাংবা মতম অসি ফাজিন্দুনা মফম খঙহন্দনা লৈবা অসি চপ চাবা অমা খঙহনবীয়ু হায়বনি।  চিফ মিনিষ্টরনসু হিরম অসি য়াম্না হকচিন্না লৌবীদনা ইমুং মনুংদা থোকপা থৌদোকমক্কি হায়না লৌবীদুনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা চাংজৌগী লোইনবী সুজেটা অমদি জেএসিগী কনভেনর অমদি মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।